# পাকিস্তানগী পোলিটিক্সতা কাউনখ্রবা হান্নগী প্রসিদেন্ট পর্বেস মুসারফ দুবাইদা লৈখিদ্রে

ইস্লামাবাদ, ফেব্রুৱারী ৫ (এজেন্সী): পাকিস্তানগী পোলিটিক্সতা কাউনখ্রবা লৈবাক অসিগী হান্নগী প্রসিদেন্ট অমসুং চীফ ওফ আর্মি ষ্টাফ পর্বেস মুসারফ নোংমাইজিং নুমিত্তা য়ু এ ইগী দুবাইদা লৈবা অমেরিকন হোস্পিটালদা লৈখিদ্রে। মহাক চহী ৭৯ শুখ্রে। হান্নগী মিলিটরি রুল্লর অসি অরুবা লায়না অমনা মতম শাংনা নারল্লবা মতুংদা লৈখিদবনি। মহাক দুবাইদা চহী কয়া লোই ওইনা লৈরকখি।



মুসারফকী হকচাং পাকিস্তানদা পুরক্নদ্রা হায়বগী মতাংদা হৌজিক ফাওবগী ওইনদি ওফিসল কম্যুনিকেসন অমত্তা লৈত্রি। মহাক্কী ইমুংনদি মহাকপু হৌখিবা চহীদগী য়ুমদা পুরক্লবা হোৎনদুনা লাকখিবনি। অমিলোই দোসিস কৌবা লায়না মখল অমনা মুসারফকী ওর্গানশিং মতম শাংনা মথৌ নীংথিনা তৌবা ঙমদনা লাকখি। লায়না অসিনা কন্নেক্টিব টিস্যুশিং অমসুং ওর্গানশিংদা শোকহন্দুনা মহৌশাগী ওইবা মথৌশিং মপুং ফানা পাঙথোকপা ঙমখিদে।

তাংনা থোক্কনবা লায়না অসি ওর্গানশিং অমসুং হকচাংগী টিস্যুশিংদা এমিলোইদ কৌবা মহৌশাগা মান্নদবা প্রোটিন মখল অমা শেমগৎলকপদগী লাকপনি। কুমজা ২০০৭ দা পাকিস্তানগী হান্নগী প্রাইম মিনিষ্টর বের্নজি ভুটোবু হাৎখিবগা মরী লৈননা লৈবাক অসিদা মী হাৎপগী চার্জশিং মায়োক্নরকখিবা মুসারফ হৌখিবা চহী নিপান অসি দুবাইদা লৈরকখি।

মমাঙদা মহাক্না লেমহৌরিবা মহাক্কী পুন্সি মহাক্কী মরৈবাক্তা লেন্নিংবগী অপাম্বা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা য়াম্না থুনা পাকিস্তানদা হল্লকপা পাম্মী হায়না ইন্টরভিয়ু কয়াদা পনখিবনি। লৈখিদ্রবা হান্নগী প্রসিদেন্ট মুসারফ কুমজা ১৯৯৯ দা মীশি মীনা থোকহন্দনা মিলিটরি কূ অমা মায় পাক্না পাঙথোক্লবা মতুংদা লৈবাক অসিগী তরাশুবা প্রসিদেন্ট ওইখি।

মহাক কুমজা ১৯৯৮ দগী ২০০১ ফাওবা তরাশুবা চিয়ারমেন জোইন্ট চীফ ওফ ষ্টাফ কম্মিটি ওফ পাকিস্তান (সি জে সি এস সি) ওইনা সর্ভ তৌখি অমসুং কুমজা ১৯৯৮ দগী ২০০৭ ফাওবা তরেৎশুবা টোপ জেনরেল ওইখি। মহাক কার্গিৱালগী আর্কিটেকনি হায়না লৌনখিবগা লোয়ননা মহাক্না পাকিস্তানগী লান মীশিংবু ইন্দিয়াদা থাজিন্দুনা লেবু শ্রী নগরগা শম্নহন্দনবা হোৎনখি।

পাকিস্তানগী আর্মিশিংনা লোনা য়াদবা মওংদা ইন্দিয়াদা চঙশিল্লক্লবা মতুং কুমজা ১৯৯৯ গী কালেনদা শোক্লখিবা লানদা পাকিস্তানগী লান্মী কয়া কার্গিলগী অৱাংবা চীংশিংদা মথ্বাই থাখি। তশেংনমক মদু মতমদুগী প্রাইম মিনিষ্টর নৱাজ সারিফপু খঙহন্দনা নত্ত্রগা মহাক্কী ৱা ইতা তাদনা থৌরাং অদুবু শিন লাংখিবা পর্বেস মুসারফকী অচৌবা মিলিটরিগী মায়থীবনি হায়না লৌনখি। তৌইগুম্বসুং পোলিটিকেল ওবজার্বর কয়ানা থাজনখিবগী ওন্ন-তৈনবদা কার্গিল লানগী মতুং চহী অনী লৈরগা রুল্লর অমা ওইনা মুসারফকী মতিক ময়াই হান্নদগী হেনগৎলকখি।

মুসারফপু শ্রী লঙ্কাদা ওফিসল টুর অমা চৎলুবদগী হল্লকপদা অথিংবা পীনবা হোৎনখিবা নৱাজ সারিফ মহাক্না ফাখিবগা লোয়ননা জেলদা থমখি অমসুং মতুং তাবদা লোই থাখি। আর্মিগী সপোর্টকা লোয়ননা মীশি মীনা থোকহনখিদবা কূ অমদা পর্বেস মুসারফনা মশামক পাকিস্তানগী প্রসিদেন্ট ওইরে হায়না কুমজা ১৯৯৯ দা লাউথোকচখি।

মদুগী মতুং চহী ৭ ফাওবা পাকিস্তানগী ইনৌ নৌরিবা দিমোক্রেটিক প্রোসেস লেপ্পা তাখি। মহাক্না প্রসিদেন্ট ওইরিঙৈদা কুমজা ২০০১ গী জুলাইদা ইন্দিয়াদা লাকখিবনি। কুমজা ২০০৭ দা পাকিস্তানগী কন্সটিট্যুসন সস্পেন্দ তৌবগীদমক্তা কুমজা ২০১৯ গী দিসেম্বরদা লৈবাক অসিগী স্পিসল কোর্ট অমনা জেনরেল পর্বেস মুসারফপু মশা য়াওদনা শিবগী চৈরাক পীখি। মুসারফনা লৈখিদবদা ইন্দিয়া য়াওনা মালেমগী লূচিংবা কয়ানা অৱাবা ফোঙদোক্লখ্রে।

# চিল্লিগী উমং কয়াদা লাম্মৈ চাকপদগী য়ামদ্রবদা মীওই ২৩ শিখ্রে

সান্টিয়াগো, ফেব্রুৱারী ৫ (এজেন্সী): কালেনগী অকনবা নুংশাগী মৈশা মরক্তা চিল্লিগী মফম কয়াদা লৈরিবা উমংশিংদা চাক্লিবা লাম্মৈশিং লাকশিনবগী থবক হেন্না লূশিল্লকখিবগা লোয়ননা হৌজিক ফাওবদা য়ামদ্রবদা মীওই ২৩ গী পুন্সি লোমখ্রে।



লাম্মৈ চাকপগী ফিভম হান্নদগী হেন্না লুশিল্লকপদগী গভর্ণমেন্টনা হৌখিবা থাংজ নুমিত্তা অতোপ্পা লমদম অমদসু ইমর্জেন্সি ওর্দর চৎনহনখ্রে। ওফিসল ব্রিফিং অমগী মতুং ইন্না হৌজিক মফম কয়াদা লাম্মৈ কন্না চাকপদুনা মরম ওইদুনা মীওই ১১০০ হেন্না সেল্টরশিংদা চঙজফম লৌখ্রে অমদি য়ামদ্রবদা মীওই ৯৭৯ লাম্মৈ চাকপদুগা মরী লৈননা অশোক অপন নঙখ্রে। চিল্লি গভর্ণমেন্টগী খ্বাইদগী অনৌবা ইমর্জেন্সি ওর্দর অদুনা হান্না ইমর্জেন্সি ওর্দর লাউথোকখ্রবা বিওবিও অমসুং নুবল রিজনশিংগা থংনরিবা খা থংবা লমদমগী অরাওকানিয়া কোনশিনখি।

কেপিটেল সান্টিয়াগোদা ইন্টরিয়র মিনিষ্টর কেরোলিনা টোহানা ন্যুজ কনফরেন্স অমদা হায়খি, মদুদি ৱেদর কন্দিসনশিংনা মরম ওইদুনা লেপ্তুনা শন্দোরল্লিবা লাম্মৈশিং অদু মুথৎনবা হোৎনবদা হেন্না হেন্না লুশিল্লক্লে। ইমর্জেন্সিগী ফিভম হান্নদগী হেন্না লুশিল্লক্লি।

মিনিষ্টরনা মখা তানা হায়খি, মফম কয়াদা চাক্লিবা লাম্মৈশিং অদু লাকশিন্নবগীদমক্তা মহৌশাগী ওইবা মরমশিংনা ওইরবসু খরদং হন্থরকপা মথৌ তাই। ইরাই নুমিৎতা লাম্মৈ মফম ৭৬ হেনগৎখি।

ওফিসলশিংগী মতুং ইন্না সাউর্দন হেমিস্ফিয়রদা কালেনগী মতমদা শাবগী চাং সেলসিয়স দিগ্রি ৪০ গী মথক ওইবগা লোয়ননা নৌনা মফম কয়াদা লাম্মৈ শন্দোরক্তুনা অৱাবা তারবা মীওইশিংগী মশিং হেনগৎলক্লি। ইমর্জেন্সি ওর্দরনা কোল্লিবা মী লন্না তাবা লমদম অহুম গ্রেবস, এপ্পলস অমসুং বেরিস য়াওনা এক্সপোর্টকীদমক্তা লীংবা ফার্ম কয়াগা লোয়ননা ফোরেষ্টকী লম পাক শন্না লৈরিবনি। থাংজ নুমিত্তা ওফিসলশিংনা পাউমীশিংদা হায়খি, মদুদি স্পেন, য়ুএস, আর্জেন্টিনা, ইক্বাদোর, ব্রাজিল অমসুং ভেনেজ্বেলাগী গভর্ণমেন্টশিংনা প্লেনশিং অমসুং ফায়র ফাইটরশিং য়াওনা মতেং ওফর তৌরক্লে।

ইরাই নুমিত্তা লা অরাওকেনিয়াদা ইমর্জেন্সিগী ফিভমদা মতেং পাঙলিবা হেলিকোপ্টর অমা কায়খিবগী থৌদোক্তগী মদুগী পাইলোট অমসুং মেকানিক অমা শিখি। ওথোরিটিশিংগী মতুং ইন্না হৌজিক ফাওবদা শিখিবা ভিক্তিমশিংগী মনুংদা ১১ হায়বদি তঙ্খায় অমরোমদি সান্টিয়াগোগী খারোমদা কিমি ৫০০ লাপ্পা লৈবা বিওবিওগী সান্তা জোনা টাউনদা থোকখিবনি।

## ইজিপ্টকী হান্নগী পিএম সারিফ লৈখিদ্রে



কাইরো, ফেব্রুৱারী ৫ (এজেন্সী): ইজিপ্ট হান্নগী প্রাইম মিনিষ্টর সরিফ ইস্মাইল মশাগী চহী ৬৭ শুবদা লৈখিদ্রে হায়না লৈবাক অসিগী ওফিসল ন্যুজ এজেন্সি নেনাগী রিপোর্টনা হায়রি।

মমাঙগী ওফিসল মেদিয়া রিপোর্টশিং পল্লদুনা এজেন্সিগী পাউনা হায়, ইস্মাইলগী দাইজেষ্টিব সিষ্টেমদা লায়না অমা লৈখি। ঙাইহাক কুমজা ২০১৫ অমসুং ২০১৮ গী মরক্তা লৈবাক অসিগী প্রাইম মিনিষ্টর ওইনা সর্ভ তৌখি। মহাক কুমজা ২০১৩ দগী ২০১৫ ফাওবা পেট্রোলিয়ম এন্দ মিনরেল রিছোর্সেসকী মিনিষ্টর ওইখি।

মহাক্না থাংজ নুমিত্তা লৈখিদবদা ইজিপ্টকী প্রসিদেন্ট অপদেল-ফাতাহ অল-সিসি, প্রাইম মিনিষ্টর মোষ্টাফা মটবৌলি অমসুং ইজিপ্টকী অতৈ ওফিসলশিংনা অৱাবা ফোঙদোকখ্রে।

সিসিগী ৱারোল পল্লদুনা প্রসিদেন্সিগী ষ্টেটমেন্ট অমনা হায়, লৈখিদ্রবা লুচিংবা অসি তশেংনমক অচৌবা মীশক অমনি। মহাক্না খ্বাইদগী লূরবা মতম অমসুং ফিভমশিংগী মরক্তগী অমদা মশাগী তৌফম থোকপা মথৌদাংশিং খঙনা খ্বাইদগী হেন্না থাগৎনিংঙাই ওইবা মওংদা থবক তৌখি।

মহাক মশাগী ওইজবা থীদনা কথোকপগা লোয়ননা থবক তৌখিবা য়াম্না থাজনিংঙাই ওইবা, অৱা অনা তারবশিংবু মতেং পাঙখিবা অমদি মশাগী হায়বা ৱাখল থাদোক্লগা লৈবাক্কী অমদি মীয়ামগী ইন্টরেষ্টতা থবক তৌবা তোমথিন ওইবা লুচিংবনি হায়না সিসিনা ষ্টেটমেন্ট অদুদা পনখি।

## লম্বীগী এক্সিদেন্টদা ১৭ শিরে, ১২ শোক্লে

দোদোমা, ফেব্রুৱারী ৫ (এজেন্সী): টাঞ্জেনিয়াগী টঙ্গা রিজনগী মনুং চনবা কোরোকৱে দিষ্ট্রিক্টতা ট্রক অমগা মিনি বস অমগা মমায় মমায় থেঙ্গায়নখিবগী থৌদোক অমদা য়ামদ্রবদা মীওই ১৭ শিখ্রে অমসুং অতৈ ১২ না অশোক অপন নঙলে হায়না ওফিসল অমনা ফোঙদোকখ্রে।

টঙ্গা রিজনেল কম্মিস্নর ওমালি মগুম্বনা ষ্টেটমেন্ট অমদা হায়খি, মদুদি মিনি বস অদু হৌখিবা ইরাই নুমিৎকী নুমিদাংদা মীওই ২৬ না অশিবা হকচাং অমা অরোইবা মথৌ মঙম পাঙথোকপগা লোয়ননা লৈরোন চন্নবগীদমক্তা দার এস সলামদগী কালিমঞ্জারো রিজনগী মোসিন তম্না পুদুনা চৎপগী লম্বীদা এক্সিদেন্ট থোকখিবনি।

ট্রক অদুগী ড্রাইভরনা অতোপ্পা গাড়ী অমদগী হেনগৎনবা হোৎনরকপদগী মিনি বস অদুদা থোমখিবনি হায়না মগুম্বনা ফোঙদোকখি।

# শ্রী লঙ্কাগী ৭৫ শুবা নিংতম কুমওনগা মরী লৈননা ইন্দিয়ানা অহেনবা বস ৫০ গী মথক্তা শিন্নখ্রে

কলম্বো, ফেব্রুৱারী ৫ (এজেন্সী): শ্রী লঙ্কাগী ৭৫ শুবা নিংতম কুমওনগা মরী লৈননা ইন্দিয়ানা ঈথৎ লৈবাক অদুগী রুরেল ট্রান্সপোর্ট সার্ভিসেসকী ফিভম ফগৎহন্নবগী পান্দমগা লোয়ননা অতোপ্পা বস ৫০ গী মথক্তা শিন্নখ্রে।



খ্বাইদগী নৌবা বসশিংগী ফ্লিট অদু শ্রী লঙ্কাদা ইন্দিয়ানা পীগদৌরিবা বস ৫০০ গী শরুক অমনি। মরী লৈনবা দোক্যুমেন্টশিং ওফিসল ওইনা শ্রী লঙ্কাগী প্রসিদেন্ট রানিল ৱিক্রেমেসিঙ্ঘেদা কলম্বোদা লৈরিবা ইন্দিয়ন হাই কম্মিস্নর গোপাল বাক্লেনা শীন্নখি। ইন্দিয়ানা য়ুমথংনরিবা খা থংবা লৈবাক শ্রী লঙ্কাগী ট্রান্সপোর্টকী ফিভম ফগৎহনবদা মতেং ওইনবগীদমক্তা হৌখিবা জনুৱারীদা বস ৭৫ পীখ্রবনি।

কুমজা ১৯৪৮ দা বৃটিসতগী নিংতম্বা ফঙখিবা মতুংদা লৈবাক অসিনা খ্বাইদগী শাথিবা শেল থুমগী ক্রাইসিস মায়োক্লরিঙৈদা ইন্দিয়ানা মখল মখা কয়াগী মতেংশিং পীবগা লোয়ননা বস কয়া অসিসু পীরিবনি।

প্রসিদেন্টস মেদিয়া দিভিজন (পি এম দি) গী মতুং ইন্না হৌজিক ফাওবদা ইন্দিয়ানা শ্রী লঙ্কাদা বস ১৬৫ শিন্নরক্লে। মার্চ ফাওবগী মনুংদা পুন্না বস ৫০০ শিন্নরক্লবগী এরেঞ্জমেন্ট পুম্বা লাংবা লোইরে হায়না পিএমদিনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

ইন্দিয়ানা পীরক্লিবা বস পুম্নমক অদু রুরেল শ্রী লঙ্কাগী ট্রান্সপোর্ট সার্ভিসশিং ফগৎহনবদা শীজিন্ননবা প্রসিদেন্ট ৱিক্রেমেসিঙ্ঘেনা মরী লৈনবশিংদা ইন্সট্রক্সন পীখ্রে। হৌখিবা জনুৱারীদা শ্রী লঙ্কাদা বস ৭৫ শিন্নখিবা মতমদা ইন্দিয়ন হাই কম্মিসন্না হায়খি, মদুদি মতেং অদু ইন্দিয়াগী য়ুমথংনবদা হান্না মীৎয়েং থম্বা হায়বা পোলিসিগী শরুক অমা ওইনা ঈথৎ লৈবাক অদুগী মোবিলিটি অমসুং এক্সেসিবিলিটিগী ফিভম ফগৎহনবদা মতেং পাঙনবা পীখিবনি।

শ্রী লঙ্কাগী পব্লিক ট্রান্সপোর্ট ইনফ্রা ষ্ট্রকচর ফগৎহন্নবগীদমক্তা ইন্দিয়ানা ঈথৎ লৈবাক অসিদা বস ৫০০ পীগদৌরিবনি হায়না হাই কম্মিসন্না ফোঙদোকখি। শ্রী লঙ্কাগী সেক্যুরিটি পর্সনেলশিংনা মায়োক্লরিবা চথোক চৎশিনগী খুদোং চাদবশিং কোকহনবদা মতেং ওইনবা ইন্দিয়ানা লাইন ওফ ক্রেদিটকী মখাদা লৈবাক অসিদা এস য়ু ভি ১২৫ সু শিন্নখ্রবনি।

# প্রসিদেন্ট বাইদেনগী ওর্দরদা য়ুএসনা চাইনিজ স্পাই বেলুন কাপথখ্রে, বৈজিংনা কন্দেম তৌখ্রে

ৱাশিংতন, ফেব্রুৱারী ৫ (এজেন্সী): য়ুএস এয়র স্পেসতা নুমিৎ কয়ানি লৈরক্লবা চাইনিজ স্পাই বেলুন অমা প্রসিদেন্ট জো বাইদেনগী ওর্দর মতুং ইন্না য়ুএসকী ফাইটর জেটশিংনা কাপথখ্রে।



হৌখিবা শগোলশেল নুমিত্তগী মরু ওইবা ইস্যু অমা ওইদুনা লাক্লবা চাইনিজ সর্ভিলেন্স বেলুন অদু নোংথক্তগী কাপথখ্রে হায়বসি থাংজ নুমিত্তা কনফার্ম তৌরদুনা প্রসিদেন্ট জো বাইদেননা মদু মহাক্না ওর্দর তৌবদগী কাপথখিবনি হায়না ফোঙদোকখি।

য়ুএস দিপার্টমেন্ট ওফ দিফেন্সনা অহানবা ওইনা চাইনিজ স্পাই বেলুন অদুগী মতাংদা রিপোর্ট তৌখিবনি। দিপার্টমেন্ট অসিনা য়ুএসকী এয়র স্পেসতা অসুম্না মপান লৈবাকশিংগী বেলুনশিং পায়রকপগী থৌদোক হন্দক্কী অসিনা অহানবা নত্তে হায়নসু ফোঙদোকখিবনি।

প্রসিদেন্ট বাইদেননা হায়খি, মদুদি লৈবাক মীয়ামদা ফোঙদোক্ত্রিঙৈগী মাঙওইননা ইন্টর্নেল দিস্কসনশিং চথখিবগা লোয়ননা মহাক্না বেলুন অদু কাপথনবা য়ুমশকৈশ নুমিত্তা ওর্দর পীখি। বেলুন অদু থুগায়বা মতমদা মখাদা লৈরিবা মীচম মীয়ামদা তাশিল্লকপা য়াই হায়বগী অকিবা লৈবনা মরম ওইদুনা মিলিটরি লিদরশিংনা থবক অদু পাঙথোকপদা মতম খরা ঙাইনবা রিকমেন্দ তৌখি। চাইনিজ সর্ভিলেন্স বেলুন কাপথখ্রে হায়বসি মখা তানা সেক্রেটরি ওফ ষ্টেট লোইদ ওষ্টিননা ষ্টেটমেন্ট অমা থোক্তুনা কনফার্ম তৌখি।

মহাক্না হায়খি, মদুদি ঙসি নুংথিল প্রসিদেন্ট বাইদেনগী দিরেক্সন মতুং ইন্না য়ুএস নোর্দর্ন কম্মান্দদা এসাইন তৌবা য়ুএস ফাইটর এয়রক্রাফটনা হাই অল্টিট্যুট সর্ভিলেন্স বেলুন অদু মায়পাক্না কাপথখি। বেলুন অদু পিপলস রিপব্লিক ওফ চাইনা (পি আর সি) গীনি অমসুং মদু সাউথ কেরোলিনাগী সমুদ্র মপানগা নক্লনা ঈশিংগী মথক্তা য়ুএস এয়র স্পেসকী মনুং চন্না পাইশিল্লকখিবনি।

বেলুন অদু কন্টিনেন্টেল য়ুএসকী ষ্ট্রেটেজিক সাইটশিং সর্ভিলেন্স চথনবা হোৎনদুনা পিআর সিনা শীজিন্নরক্লিবনি হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

বেলুন অদুগী লম্বী অদু কুপ্না ষ্টদি তৌরবা মতুংদা অমেরিকাশিংদা শোক্লিংঙাই ওইদে হায়বসি খঙবা ঙমখিবগা লোয়ননা প্রসিদেন্টনা মদুবু কাপথনবা য়ুমশকৈশ নুমিত্তা ওর্দর তৌখিবগা লোয়ননা থবক অদু মতম শাংনা ঙাইবা তৌদনা পাঙথোকখি হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।

মহাক্কী মতুং ইন্না কুপ্না এনালাইসিস চথরবা মতুংদা য়ুএস মিলিটরি কম্মান্দরশিংনা বেলুন অদু কাপথনবগী ৱারেপ লৌদুনা মখোয়গী ৱারেপ অদু প্রসিদেন্টদা খঙহনখিবনি। প্রসিদেন্টগী দিরেক্সন মতুং ইন্না দিপার্টমেন্ট ওফ দিফেন্সনা বেলুন অদু ঐখোয়গী টেরিটরিএল ঈশিংদা অশোয় অঙাম থোকহন্দনা কাপথনবগী ওপশনশিং দিভলপ তৌখি।

অমরোমদা, মিলিটরি হিরমদা শীজিন্নবা নত্তবা সিভিলিয়ন বেলুন অমা মথোং মরম খঙদনা কাপথদুনা য়ুএসনা ইন্টরনেসনেল লো খোঙ্গাওনরে হায়না চাইনানা ফোঙদোকখ্রে।

# কিভতা খুৎলায় পীশিনবগা মরী লৈননা পুটিননা ৱার্নিং তৌখ্রে

মোস্কো, ফেব্রুৱারী ৫ (এজেন্সী): রসিয়াদা অকিবা পীরিবা লৈবাক খুদিংমক্তা মোস্কোনা মপুং ফাবা রেস্পোন্স পীগনি হায়না রসিয়াগী প্রসিদেন্ট ব্লাদিমির পুটিননা ফোঙদোকখ্রে অমসুং কিভতা টেঙ্ক কয়া পীগনি হায়না থাজবা পীখিবগীদমক্তা মহাক্না জর্মনিবু কন্না চৈ থাংখ্রে।



ক্রেমলিননা অনৌবা ওফেন্সিব অমা চথনবা মসিগী ফোর্সশিং কন্সোলিদেসন তৌরি হায়না য়ুক্রেনগী প্রসিদেন্ট বোলোদিমির জেলেন্সকিনা ফোঙদোকখিবা মতুংদা পুটিননা ৱার্নিং অসি পীখিবনি।

জেলেন্সকিনা কিভতা য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়নগী উর্সুলা বোন্দেরলিয়নগা লোয়ননা জোইন্ট মেদিয়া কনফরেন্স অমদা ৱা ঙাঙবদা ক্রেমলিননা অনৌবা ওফেন্সিব অমা চথনবা হোৎনবগী ৱাফম অসি পনখিবনি। জোইন্ট প্রেস কনফরেন্স অদুদা য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়নগী চীফনা ফেব্রুৱারী ২৪ ফাওবগী মনুংদা হায়বদি য়ুক্রেনগী কনফ্লিক্ট হৌখিবা চহী অমা চপ চানা ফারকপগী মনুংদা রসিয়াগী মায়োক্তা অনৌবা অথিংবা কয়া থম্ননবা ব্লোক অসিনা লেপ্লে হায়না পনখি।

চহী ৮০ গী মমাঙদা রসিয়াগী খা থংবা সিটি বোলগোরাদতা রেইদ আর্মিনা নাজি ট্রুপশিংবু মায়থীবা পীখিবগী থৌদোক নীংশিংদুনা পাঙথোকখিবা থৌরম অমদা পুটিননা হায়খি, মদুদি রসিয়াবু জর্মন টেঙ্কশিংনা অমুক হন্না অকিবা পীরক্লিবসি থাজবগী ৱাংমদনি। অসিগুম্বা খোঙথাং অসিগী মায়োক্তা ঐখোয়না পীফম থোকপা রেস্পোন্স পীবা মথৌ তাই। হৌজিক্কী মতমদা রসিয়াদা লান শোক্লবা হায়বসি মমাঙঙৈগী মতমদা শোক্লখিবা লান অদুগা য়াম্না খেন্নগনি হায়না পুটিননা ফোঙদোকখি।

পনবা য়াবদি, রসিয়ন ফোর্সশিংগা লান্থেংনবদা শীজিন্ননবা মতমগা চুন্নরবা টেক্নোলোজিদা খুমাঙ চাওশিল্লবা অচৌবা লানগী টেঙ্ক কয়া পীরগনি হায়না থা অসিদা নোংচুপলোমগী লৈবাকশিংনা য়ুক্রেনদা থাজবা পীখিবনি। কিভকী ওইনদি টেঙ্কশিংদা নত্তনা অশানবা মিসাইলশিং অমসুং ফাইটর জেটশিংসু পীরক্লবা নোংচুপলোমগী লৈবাকশিংদা তকশিনবা লেপত্রি।

পুটিননা হায়খি, মদুদি রসিয়ানা য়ুক্রেনগী নোংচুপলোমগী মীচংশিংনা থল্লিবা অথিংবা কয়া মায়োক্নদুনা লাক্লি। লৈবাকশিং অসিনা অথিংবা কয়া থমদুনসু রসিয়ন মিলিটরিনা য়ুক্রেনদা চথরিবা স্পিসল ওপরেসন অসিদি লেপখিরোই।

অমরোমদা, বোন্দেরলিয়ননা হায়খি, মদুদি নোংচুপলোমগী লৈবাকশিংনা থল্লিবা অথিংবশিং অদুনা মরম ওইদুনা রসিয়াগী ইকনোমিদা চাওনা শোকহন্দুনা লৈবাক অসিগী চাওখৎ খোঙথাংগী ওইবা থবক থৌরমশিংগী প্রোগ্রেস মনিং হল্লবনি হায়খি।

# গভর্ণমেন্টগী জুদিসল রিফোর্ম প্লানগী মায়োক্তা ইজরেল্লি লিশিং কয়ানা প্রোটেষ্ট তৌখ্রে

টেল অভিব, ফেব্রুৱারী ৫ (এজেন্সী): ইজরেল্লি গভর্ণমেন্টগী জুদিসল সিষ্টেম রিফোর্ম তৌনবগী থৌরাংগী মায়োক্তা ইজরেল্লি লিশিং কয়ানা সিটি কয়াদা প্রোটেষ্ট চথখ্রে।



এজেন্সিগী রিপোর্টনা হায়, জুদিসল সিষ্টেম রিফোর্ম তৌনবগী থৌরাং অদুগী মায়োক্তা চথরিবা প্রোটেষ্টশিংগী মনুংদা খ্বাইদগী চাওবা প্রোটেষ্ট অদু সমুদ্র মপানগী সিটি টেল অভিবতা চথরিবনি। প্রোটেষ্ট অদুদা মীওই লিশিং কয়ানা শরুক য়ারি। প্রাইম মিনিষ্টর বেঞ্জামিন নেটনয়াহুগী গভর্ণমেন্টনা প্রপোজ তৌরিবা জুদিসল রিফোর্মশিংগী মতাংদা দিমোন্সট্রেটরশিংনা চয়োল মঙা লেপ্তুনা রেল্লি পাঙথোক্তুনা থৌরাং অদুগী মায়োক্তা প্রোটেষ্ট চথরকখি।

প্রোটেষ্টরশিংনা হায়রিবদি রিফোর্মশিং অদুনা ইজরেল্লি কোর্টশিং শোলহনবগা লোয়ননা রুল্লিং কোল্লিসনদা অহেনবা পৱার পীগনি হায়বসিনি। নোর্দর্ন ইজরেলগী হাইফাদা পাঙথোকপা দিমোন্সট্রেসনদা শরুক য়াখিবা হান্নগী পিএম জেয়র লাপিদনা হায়খি, মদুদি প্রোটেষ্টরশিং অসি ঐখোয়গী লৈবাকপু কন্নবা থোক্লক্লিবনি। ঐখোয়না পার্লিয়ামেন্ট অমসুং কোর্টশিংদা ফাইট তৌগনি অমসুং ঐখোয়গী লৈবাকপু কনগনি।

অমরোমদা, নেটনয়াহু অমসুং মহাক্কী পার্টনরশিংনা হায়রি, মদুদি হৌখিবা চহী কয়া অসিদা অদুক্কী মতিক পৱারফুল ওইরক্লবা জুদিসল সিষ্টেমগী পৱারদা পনখৈ লৈহন্নবগীদমক্তা জুদিসল সিষ্টেমদা অহোংবা খরা লাকহনবা হায়বসি য়াম্না মথৌ তাই। সুপ্রিম কোর্টনা পোলিটিকেল ইস্যুশিংদা তোইনা খুৎ থিংজিন্দুনা পার্লিয়ামেন্টনা লেপকদবা ৱারেপ ফাওবা লেপ্পগী খুদোংচাবা ফঙহন্দে হায়নসু মখোয়না ক্লেম তৌরি। লৈবাক শীন থুংনা লেপ্তুনা প্রোটেষ্ট চথরবসু নেটনয়াহুনা রিফোর্মশিং অদু শুংশোই শোয়দনা পুরক্লবা অচেৎপা ৱারেপ লৌখ্রে।

পনবা য়াবদি, নেটনয়াহু মশামক করপসনগী চার্জশিংগা মরী লৈননা ৱায়েল মায়োক্লরিবনি। মশামক্লদি অরানবা অমত্তা তৌখিবা লৈতে হায়জরবসু মহাক্কী ওপোনেন্টশিংদদি রিফোর্মশিং অদু মহাক্কী কেসশিংদুগী মতাংদা কোর্টনা মখা তানা এক্সন লৌখৎপা ঙমহন্দনবগীদমক্তা লাকহন্নবা থৌরাং তৌরিবনি হায়রি।

# অহেনবা টেক্সশিং চৎনহল্লক্লবদি লৈবাক শীন থুংনা প্রোটেষ্ট তৌগনি হায়না ট্রেদরশিংনা কিহনখ্রে

ইস্লামাবাদ, ফেব্রুৱারী ৫ (এজেন্সী): ইন্টরনেসনেল মনিটরি ফন্দ (আই এম এফ) কী কন্দিসনশিং থুংহন্নবা মখা তানা অনৌবা টেক্সশিং চৎনহন্নবা গভর্ণমেন্টনা হোৎনরক্লবদি লৈবাক শীন থুংনা প্রোটেষ্ট হৌরগনি হায়না পাকিস্তানগী ট্রেদরশিংনা থ্রিতন তৌখ্রে অমসুং গভর্ণমেন্টনা অনৌবা টেক্সশিং ইম্পোজ তৌবগী মহুত্তা আর্মি জেনরেলশিং, জজশিং অমসুং পার্লিয়ামেন্টরিয়নশিংগী তলবশিং ওইনা ককথগদবনি হায়নসু দিমান্দ তৌখ্রে হায়রি।



মদুদি করিগুম্বা গভর্ণমেন্টনা অনৌবা টেক্সশিং হৌদোরকপা তারবদি মখোয়না ফেব্রুৱারী ১৩ দগী লৈবাক শীন থুংনা প্রোটেষ্ট মুভমেন্ট হৌরগনি।

দোনগী রিপোর্টনা হায়, মর্কাজি টাঞ্জিম টাজিরান (সেন্ট্রেল ওর্গনাইজেসন ওফ ট্রেদর্স) ওফ পাকিস্তানগী রিপ্রজেন্টেটিবশিংনা হায়খি, লৈবাক অসিগী শেল থুমগী ফিভম্না মরম ওইদুনা অৱাবগী পোৎলুম খাঙলিবা মীয়াম অমসুং ট্রেদিং কম্যুনিটিনা মখা তানা অনৌবা টেক্সশিং পীবা ঙমগনি হায়বসি থাজবগী ৱাংমদনি হায়না ওর্গনাইজেসন অসিগী লুচিংবশিংনা রুল্লরশিংদা ৱার্নিং তৌখ্রে।

মখোয়না ন্যুক্লিয়র খুৎলায় লৈরবা লৈবাক অমগী শেল থুমগী ফিভম অদুক্কী মতিক ফৎত্রিবসি নুংনাংনিংঙাইনি হায়না পনবগা লোয়ননা ফিভম অদু নুমিৎ খুদিংগী শোকচিনবা হেল্লক্লি হায়খি। লৈবাক অসিগী লুচিংবশিংনা শোয়বদগী নত্ত্রগা মখোয়না চথবা ক্রাইমশিংনা মরম ওইদুনা মীয়াম্বু ৱাহল্লোইদবনি হায়নসু ট্রেদরশিংনা দিমান্দ তৌখি।

# ইয়ু, জি-৭ না রসিয়ন পেট্রোলিয়ম প্রদক্টশিংগী মমলগী পনখৈ লেপখ্রে

ব্রসেলস, ফেব্রুৱারী ৫ (এজেন্সী): য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়ন (ইয়ু) অমসুং গ্রুপ ওফ ৭ (জি-৭) না সমুদ্রদা পুবা রসিয়াগী পেট্রোলিয়ম প্রদক্টশিংগী ওইনা মখা তানা মমলগী পনখৈশিং থাংজ নুমিত্তা লেপখ্রে হায়না য়ুরোপিয়ন কম্মিসন (ইসি) না প্রেস রিলিজ অমদা হায়রি।

ইসিগী মতুং ইন্না 'প্রিমিয়ম-২-ক্রুদ' পেট্রোলিয়ম প্রদক্টশিং হায়বদি দিজল, কেরোসিন অমসুং গেসোলিননচিংবশিংগী মমলগী পনখৈ বেরেলদা য়ুএস দোল্লর ১০০ দা থমখি। ফ্যুএল ওইল অমসুং নেপথাগুম্বা 'দিস্কাউন-২-ক্রুদ পেট্রোলিয়ম প্রদক্ট' শিংগী মমলগী পনখৈনা বেরেলদা য়ুএস দোল্লর ৪৫ তা লেপখি।

ইসিনা হায়রি, মদুদি মমলগী কেফশিং অদু নোংমাইজিং নুমিত্তগী চৎনবা হৌরগনি। মমলগী কেফশিং অসি ৱারেপ অসি লৌদ্রিঙৈগী মমাঙদা লৈখিবা রসিয়াগী পেট্রোলিয়ম প্রদক্টশিংগী ওইনদি মতম খরা কোমথোক্কনি হায়নসু ইসিগী ষ্টেটমেন্টদা পনখি। ইয়ুনা কুমজা ২০২২ গী জুনদা রসিয়াগী পেট্রোলিয়ম প্রদক্টশিং ইম্পোর্ট তৌবদা থমখিবা অথিংবা অদুসু নোংমাইজিং নুমিত্তগী চৎনরগনি হায়না লাউথোকখ্রে।